# মীওই লাক্ষ ৩০ রোমগী পূন্সিবু সরকারনা তরাইনা লৌদেঃসিএম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ঃ

সরকারগী থবক খক্তনা থবক নত্তে খনবা মীওই কয়া ঐখোয়গী ইরক্তা য়াম্না লৈ হায়বগা লোয়ননা তৌফম খঙদনা লৈরম্বা নহা কয়া ঙসিদি মানা–মানা ঙমজবা থবক তৌদুনা মীয়ামগী সেবা তৌগনি হায়দুনা থোরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফাল ফাইনান্স কো–ওপরেটিভ থ্রিফট এন্দ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদনা মণিপুরদা ইহান হান্না হৌদোকপা ' মণিপুর কেব সার্ভিস'কী হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দেভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, সরকারনা প্রজাবু লমজিং–লমতাকপা ৱাৎলম্বদগী তৌনিংবা কয়া তৌবা ঙম্লমদবনি। হৌজিক্তি মশানা –মশাবু থবক পীজনিংবা কয়া মথং মথং থোরক্তুনা থবক তৌবা হৌরকপসি য়াম্না নুংঙাই। অসিগুম্বা মীওইশিং থোরকপসিনা লৈবাক অসি সেলফ সষ্টেনেবল ওইনবগী মচাক ওইরক্কনি।

সরকারগী থবক খক্তা ঙাইবগী ৱাখল্লোন অদু ঙসিগী নহাশিংগী ৱাখল্লোন্দগী খরা–খরা নাথৈরকপা উরে। মীওই কয়ানা শিংথাবা য়ারবা এন্টরপ্রেন্নরশিং লিংদুনা মীওই কয়া থবক পীরে। লৌউ–শিংউবগী লমদসু খোঙদাদুনা মণিপুরদা তাংনা ফঙবা ষ্ট্রোবরিনচিংবা থাবা য়াওরে। মসিগী ফার্ম তৌবা মীওই অদু মহাক্কী ওফিস্তা কৌরগা মহাক্কী মায়কৈদগী করি তৌরকউগে হংবা ফাওবা য়াওখ্রে হায়খি।

ষ্টার্ট অপ স্কিমগী মখাদা ফার্মর অদুদা লুপা লাক্ষ ৯০গী লোন পীখ্রে। শেনফম অদুগী মনুংদা চাদ ৩০দি গ্রান্টনি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি মখা তানা চত্থরবদি মণিপুর অসি চাউখৎপা খঙহৌরোই। সরকারগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙলগে থবক শুনিং–নোম্মিংবশিং থোকপীরক্লো হায়নসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোংদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরি হায়বা কাঙলূপ অসি হিরম খুদিংমক্তা টেলেন্ট লৈ। নহা কয়ানা মহাক্কী মফমদা লাক্তুনা অনৌ–অনৌবা থবক কয়া তৌজগে হায়ররে। মখোয়বু নীংথিনা লমজিংবা অদুনি হৌজিক মথৌ তারিবসি। লমদমসিগী খূৎহৈবা নহাশিংগীদমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়নসু ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোংদোকখি।

মমাঙদা পানখিবা সরকারগা হন্দক্কী সরকার অসিগা য়াম্না খেন্ননা উগনি। চিনগা খূৎকা মান্নবা সরকারনি হায়বদু মহাক্কী মায়কৈদগী উৎকনি। অফবা থব তৌজগে হায়রকপদা সরকারনা য়ারোইদৌবগী মরম করিসু লৈতে।

অমরোমদা শেলগীদমক্তা কা হেন্না ৱানিংঙাই ওইদে। মরম চারবদি শেলদি অদুম লাক্কনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী দরকার ওইবা শেল হায়রুবদা অদুম পীরকখিবা ঙাক্তনি। হন্দক্তসু লুপা ক্রোর ২৬০০গী অয়াবা পীরক্লে। মসিদসু নত্তনা ওপন মার্কেট বোরোৱিংগী ওইনা লুপা ক্রোর ১০০সু হেন্না পীরক্লবগী চে থারক্লে। মণিপুরদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমদি বন্দ, ব্লোকেদ তোইনা তৌবা অসিনি। বন্দ, ব্লোকেদ তোইনা তৌরবদি ঐখোয় মাঙজিল থাবা ঙম্লোই। মরম অসিনা বন্দ,জেনরেল ষ্ট্রাইক অমসুং ব্লোকেদ তোইনা তৌবগী মহৎতা ৱারী–ৱাতাই শান্নদুনা সোলুসন পুরকপসু য়াই হায়খি।

জপান অমসুং আমেরিকানচিংবা লৈবাক্না চাউখৎলিবসি মাগী–মাগী দাইত্ব অদু মপুং ফানা লৌনখিবদগীনি। সরকার খক্তনা লৈবাক চাউখৎহনবা য়ারোই। প্রজানসু ৱাখল তাবা দরকার ওই। সরকার অমসুং প্রজা অনীগী মরক্তা ট্রান্স–পরেন্সি লৈনা থবক তৌমিন্নবা পামজে। হন্দক্কী সরকার অসিদি প্রজানা থাজবিয়ু। সরকারদা প্রজানা থাজবগী চাংসু নোংম–নোংমগী হেনগৎলক্লি। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল–২০১৮গীদমক্তা লূপ কয়া অমদি মীওই কয়ানা শেলগী মতেং পাঙলকপা অসিমক সরকার অসিবু থাজবীবগী ময়েক লারবা খুদম্নি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি।

মহাক্না হায়,মীয়ামগী নুমিৎতা মীওই কয়ানা ওক–য়েন–ষণ লোইজগে হায়না লাকই। মতম অমদদি অনাবগী মতেং পাঙবিয়ু হায়বা য়াম্না লাক্লম্মী। হৌজিক্তি অনাবগী ওইনদি কয়া লাক্ত্রে। অযুসমান ভারত অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ পুথোকখিবদগী অনাবগী ৱাকৎশিং লাকপা মশীং য়াম্না হম্বরে হায়খি।

পাউমীশিংগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ অসি অখন্নবা ওইনা শেমগনি। লোয়ননা আর্ট এন্দ কলচর তৌজবা মীওইশিংগী মনুংদা ঈশৈ শকপা, পুঙ য়ৈবা, মোইবুং খোঙবনচিংবগীসু অখন্নবা স্কিমশিং শেম্লগনি। মখোয়না অহল ওইরকপা নৎত্রগা মশা ঙম্লক্ত্রবা মতমদা কনানা মখোয়গী মতেং তৌবিগনি হায়বা ৱাহং হংলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মসিগীদমক খল্লগা তঙাই ফদনা মখোয়গী স্কিমশিং পায়খৎকদৌরিবনি হায়খি।

পাল্লিবা সরকার অসিদি ইরৈবাক ইরমদমদা অশোন–অনা অমসুং লায়রবা অমত্তা লৈহন্দনবা মখোয়দা তেংবাঙগে হায়বগী ৱাখল খল্লি। অদুগা মদুগী মতুং ইনবা থবকসু তৌই। মণিপুর অসি ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা সরকারনা মখল কয়াগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলগনি। মপানদগী পোৎ লৌশিন্দনবা লমদমসিদসু পোত্থোকশিং পুথোক্লবা হোৎনগনি। ঙাগী মচিঞ্জাক অমসুং পোলট্রি ফিদশিং সু অথুবা মতমদা মণিপুরদা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরে। মীওই লাক্ষ ৩০ রোমগী পূন্সিবু সরকার অসিনা তরাইনা লৌদে। মখোয়গী তুংগী পূন্সিগীদমক সরকারগী মখূৎতা শিন্নরগা ঐখোয়না তৌনিংবা তৌবা য়ারোই হায়খি।

ঙসি হাংদোক্লিবা মণিপুর কেব সার্ভিস অসি মঙ্গোল ওইবিয়ু। ড্রাইভরশিংনা ট্রাফিক্কী নিয়মশিং ঙাক্কদবনি। থবকসিদা পূকচেল শেংনা তৌবিয়ু। লমদমসিগী মীওক–মীচান ফবা মতৌ অসি কষ্টমরশিং অমদি টুরিষ্টশিংদা উৎকদবনি। মখোয়বু নুংঙাইহনবা অমসুং শাফাহনগদবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা থৌরম মপু ওইবগা লোয়ননা মোর্ডন কলেজগী কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ সেলেক্সন গ্রেদ লেকচরর টি গোজেন্দ্র সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুংলেন ওইখি।

## লাইরিক ফোংঙখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ঃঅশাংবা কম্যুনিকেসন, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙরাং দিএম কলেজ কেম্পস্তা লৈবা মণিপুর হিন্দী ট্রেনিং কলেজ দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সনাসম উমানন্দনা ইবা ' লম্ফাংদগী লম্বীরোমদা'অদুগা ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনাসমনা ইবা ' ইখৌ' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ফোংঙখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর সাত্য পরিষদ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট প্রো. কাঙজম ইবোহলনা অথোইবা মিথুংলেন অদুগা হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রো. এলাংবম দিনমনিনা থৌরম মপু ওইখি।

লম্ফাংদগী লম্বীরোমদা হায়বা লাইরিক্কী মরমদা ডা. সরতচন্দ্র লোংজম্বা অদুগা ইখৌ হায়বা লাইরিক্কী মরমদা সলাম তোম্বনা নৈনদুনা ৱা ঙাংখি।

# ডাঃ মুকুল সংমানা ইন্টিগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট য়েংশিনখ্রে,কম্ম্যুনিটি লীদরশিং উনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ঃ

মেঘালায়াগী এমএলএসু ওইরিবা এআইসিসিগী সিদব্লিয়ুসিগী মেম্বরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ডাঃ মুকুল সংমানা মোরেগী ইন্দো–ম্যানমার বোর্দর মনাক্তা লৈরিবা ইন্তিগ্রেটেদ চেক পোষ্টকী ফিভম য়েংশিনবগা লোয়ননা মোরেগী কম্ম্যুনিটি লিদিরশিংগা উনখ্রে।

এমএলএ মুকুল সংমানা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনবগী খোঙচত্তুনা ৪২ তেংনৌপল এসেমব্লি কনষ্টিট্যুসনগী এমএলএ দিকে বোরুংথাং অমদি এমপিসিসিগী জেনরেল সেক্রেটরী দেববর্ত্তগা লোয়ননা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

মফমদুদগী হল্লক্লবা মতুং মোরেদা লৈবা হোতেল ইলোরাদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মোরে তাউনদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানা ফুরুপ কয়াগী লুচিংবশিং, কেএসও মোরে ব্লোক অমদি নুপী লূপ কয়া উনখি।

মীফমদুদা লূপ কয়াগী লুচিংবশিংনা, মোরে তাউনদা লো এন্দ ওর্দর ফিভম হান্না ফগৎহল্লবদতা লল্লোন ইতিক তৌবদা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাফমশিং থম্মখি।

বোর্দর পিল্লরগী ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা মোরেদা লল্লোন–ইতিক্কী থবক নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে। হান্না বিজেপি গভর্নমেন্টনা বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা চুম্মী য়েংনবা লৈতে হায়না ফোংদোকখবা ৱাফমবু য়ানিংদবগী ৱাফম কয়াশু থম্মখি।

লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্নরদুনা ম্যানমার গভর্ণমেন্টনা ইম্পোর্ট তৌরকপা চাংদগী এক্সপোর্ট তৌরকপা চাংনা চাদা ৯০গী হেল্লি। হৌজিক লৈরিবা আউট্টর এমপি অসিনা ভোট হেক কাবদগী মোরেদা নোংমা ফাওবা লাক্ত্রি হায়বা ৱাফম মখা তানা থম্মখি।

মোরেগী লুচিংবশিংগী ৱা তারবা মতুং এমএলএ মুকুল সাংমানা, লো এন্দ ওদর্রগী ফিভম শোয়দনা ফগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়বগা লোয়ননা মোরেগী মীয়াম্না পাল্লিবশিং থবক্তা ওহ্ঙোক্লগনি হায়বা থাজবা পীখি।

লমায় ১ গী মখা

# এময়ুগী থৌরমদা এমপিপিনা ফিরাল শীজিন্নগে তৌরুবদা...

চুম্না লৈ কৎপা অমদি ইকায়–খুম্নবদি য়াগনি হায়খি।

ঙাইহাক অৱাই–অখুম তৌনরবা মতুং এময়ুগী এডমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহ লাক্তুনা পার্টি অসিগী ফিরাল লৈ কৎপদা শীজিন্নদনবা লৌথোকহনখি।

তাঞ্জা অদুদসু তোঙান–তোঙানবা মীওইশিং ভেটেরিয়ন পোলিটিক্সিয়ন ও জয়, হান্না ভিসি ওইরম্বা হৌজিক্না পোলিটিকেল পার্টিদা য়াওরিবা এক্স–এমএলএ বিজয়নচিংবা লাক্তুনা লৈ কৎনবা থৌরাং তৌখি।

এময়ুগী এডমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা অলিমউদ্দিগী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদুদা লৈ–শু কৎতুনা ইকায়–খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পোটিক্সিয়ন ও জয়না হায়, লমদমসিগী মহৈরোইশিংনা বিএসি পাস তৌরবা মতুং মখা তানা মহৈ তম্ননবগীদমক মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর অলিমউদ্দিনা জেএন য়ুনিভর্সিটি অসিবু অহানবা ওইনা লিংখৎপীরমখি। মসিগী মতুং মহৈরোইশিংদা মতম শাংনা মাংবা য়াবগী থাকশিং লাক–খ্রবা তুংদা ১৯৮০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট নৌনা শেমদুনা হান্না লৈরকখিবা জেএনয়ুদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হায়বা মমিং হোংদোকখি।

মতম অমগী সেন্টরগী লুচিংবা সিপি ঠাকুরদা ষ্টেট অসি পীকপনা মরম ওইবগা লোয়ননা শেল লৈতবনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ওনখৎননবা হায়জখি। মখা তারকপা ওইনা মতম অদুগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভিসি এনজি বিজয়না সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ওনখৎলমখিবনি।

মতম শাংনা লৈরকপনা হন্দক্তা মথোং–মরম খঙদবা ভিসি এপি পান্দে অমুক লাকখ্রবা তুংদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক–ৱাথোকশিং কয়া থোকখ্রে। মসিদা সেন্টর অমদি ষ্টেট অনীদা বিজেপিনা লৈঙাক্তুনা কনাগুম্বা খরগা লৌতুনদুনা এময়ু অসিবু অমুবা কালিনা ইহৌগদবা থৌদোকশিং থোকখ্রে। থৌদোক অসিদা মমাঙদা অমুক্তা থোকি–খদ্রিবা মওংদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা বোম–তোপ থাজিনবীবতা নত্তনা ওঝা–মহৈরোয়শিংবু জেলদা থম্বীখি অমদি মখূৎতা হেন্দকপ চনখিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে।

মসিনা লমদমসিগী অমত্তা ঙাইজরবা মহৈলোইশঙ অসি মুখৎননবা সরকার অসিনা হোৎনবনি হায়না লৌগনি।

সরকারসিনা মতম কুইনা য়েংদুনা লৈরক্লবা মতুং হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা মিংয়েং চঙলকপদগী মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিল্লকখি। মসিদসু পঞ্জনিংলিবা ৱাফমদি মসিদা কনাগুম্বনা খঙদনা লান্না ময়াং অমনা ভিসি ওইবা পামদবদগী শিন্দোক্লবা থৌরাংনি হায়বা লান্না পাউ শন্দোকপীখি। হৌজিকসু ময়াং অমনা ভিসিগী থৌ ওইনা এডমিনিষ্ট্রেটর ওইবদা এময়ু কম্ম্যুনিটিনা অপনবা–অথীংবা অমত্তা থম্বা লৈখিদে। মখা তাবদা, ইন্দিয়াগী মনুংদা নত্তনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিবু শিংথানবা য়াবা থাক্তা লৈহন্ননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না হায়খি।

এনজি বিজয়না হায়, ঙসিগী নুমিৎ অসি মতম অমগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক নুমিৎনি। মপোক কুমওন নুমিৎ অসিদসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী থাক্তা মহৈ তম্ননবা লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনসু হোৎনবীরম্মী।

হৌখিবা চহী ২০০৩দা মহাক্না ভিসি ওইরিঙৈদসু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখৎ–খবনি। মসিদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মিৎয়েং নৎত্রগা মায় পাকপগী ৱাফম ঙসি ফাওবদা লৈতে। মসিদা নত্তনা মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর অলিমউদ্দিনা লিংখৎপীরম্বা মণিপুর মেডিকেল কলেজ অসিসু ঙসিদি লিংখৎ–খবগী পালন থৌরম তৌরিবসিসু অরানবা নুমিৎনি। মসিদা এনঈসিগী মখাদা আরএমসি ওনখিবা নুমিৎ অদুবু ঙসি ফাওবদা ওবজার্ভেসন তৌদুনা লৈরি।

ঙসি ফাওবদা রিমস হোস্পিটাল হায়দুনা মীয়াম্না খঙনদুনসু লাকখিবনি। অসিগুম্বা অরানবা থৌওংশিংবু নৌহৌননা চুমথোকপা মথৌ তারে। হিরম অসিদা অখঙ–অহৈ অমদি লম অসিদা থৱায় য়াওবা খুদিংমক্না পুন্না তান্নমিন্নদুনা তুংদা য়ানগদবা নুমিৎশিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী লিংখৎখিবা নুমিৎকী পালন থৌরমশিংবু নৌহৌননা তৌননবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

এময়ুগী এডমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা হায়, মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর অলিমউদ্দিননা য়ুনিভর্সিটি অসিবু লিংখৎপীরম্ববু ঙসি ইকাইখুম্নবা উৎপনি। মসিমক্না সেলেব্রেসন অমনি হায়বদি লৌবা য়ারোই হায়খি।

## লম্বী শেম্বীদবদগী থীংজিনখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ঃ

মোরেগী ফাইচম ভেঙ ফাওদুনা চৎলিবা মোরে পুলিস ষ্টেসন মনাক্কী লম্বী অসি হৌ–খবা চহি কয়াগী মমাঙদগী মরী লৈনবশিংনা শেম্বীদনা লৈরকপনা ফিভম শোক্লকপদগী লৈকাইগী মীয়াম্না থোরক্তুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী গারী অচৌবা চঙবা থীংজিনখ্রে। লম্বী অসি ম্যানমারগা ইন্দিয়াগা লল্লোন ইতিক তৌনবগী য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অমনি।

লম্বী থীংজিনখিবা অদুগা মরী লৈননা ফাইচম ভেঙগী চিফ অমদি খুঞ্জাশিংনা ফোংদোক্লরকপদা লম্বী অসিদা মীওই কয়া হোস্পিটাল অমদি স্কুলনচিংবা কয়া চৎনরিবনি। লম্বীগী ফিভম ফত্তবনা স্কুল তল্লিবা অঙাং য়াওনা চৎলিবা মীওইশিংদা খুদোং চাদবা কয়া অমা মায়োক্নহল্লে। ফিভম শোক্লবা লম্বী অসিদা চৎপদা খুদোং থিবা থোক্লকপা য়াওরবদি কনানা দায়ত্যা পুগনি। মরম অদুনা লম্বী অসি শেমদ্রিফাওবা গারী অচৌবা চৎপা থীংলগনি হায়রি।

## লেপ্তনা মফম কয়াদা কোয়শিল্লগা থিবা হুম্বা থবকশিং চত্থরি

এসএনএস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ঃ

থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলদা থোকহন্নিংদা থৌদোকশিং থোক্তনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রি ফ্রেন্স কোলোনিদা ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০দগী ৬.৩০ ফাওবা কোর্দোন এন্দ সর্স ওপরেসন চত্থখ্রে। মদুদা নুপা ৮২৪ অমসুং নুপী ৩০১ ভেরিফাইদ তৌবদা চিংনবা নুপা ৪৮ অমদি নুপী ৬ মখা তানা ফেরিফাইদ তৌনবগীদমক হৈঙাং পুলিসতা শিন্নখ্রে।

ওপরেসন অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এসপি কে মেঘচন্দ্র সিংহগী মীৎয়েং মখাদা এদিস্নেল এসপি ওক্স এম কুমার্জিটনা লুচিংদুনা চত্থখিবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# চীফ মিনিষ্টরনা নেসনেল ইন্টিগ্রেসনগী ৱাশক লৌহনখ্রে

কনবদা মাঙজিল থাবা থৌদাং লৌখিবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ, মহারাজ নরসিংহ অমসুং হিরাচন্দ্রগী মীতমশিং থম্মনবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি।

কনামত্তনা পুৱারীবু উশিন্নদবা য়ারোই। ঙসিগী মণিপুর অমসুং মসিগী ইন্টিগ্রিটিবু ঙাক্তুনা থম্নবগী থবক্তা কত্থোকপগা লোয়ননা মাঙজিল থানা দাইত্ব লৌখিবা নীংশিংবিদ্রবা লুচিংবশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা থীদোক্তুনা মখোয়বু মশক খঙদোক্নবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরে। মহারাজ কুলচন্দ্রগা লোয়ননা অতোপ্পা মণিপুরী খরগা লোয়ননা নাগা খরা কলাপানিদা লোয় থাখি হায়বসি মীওই খরখক্তনা খঙই হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ঙসিগী থৌরমসিদা ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরমসিদা গভর্ণমেন্টকী হায়–রেঙ্কিং ওফিসিয়েল য়াম্না শরুক য়ারখিদবদা চীফ মিনিষ্টরনা হকচিন্না লৌরদুনা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা মসিগুম্বসি অতোপ্পা মরুওইবা ষ্টেট লেবেল ফঙকসনশিংদা থোকহন্দনবা থবকশিং লৌখৎনবা হায়খি।

মতাংসিদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, দিসিপ্লিন য়াওদনা করিমত্তা ফঙবা ঙম্লোই। মিনিষ্টর অমসুং মকোক থোংবা এডমিনিষ্ট্রেটরশিংনা পুকচেল শেংবা অমসুং কম্মিটমেন্টকা লোয়ননা মথৌশিং পাঙথোকপদা নত্তনা মখোয়গী সার্ভিস মতমগী মনুংদা তমজনিংঙাই ওইবা থবকশিংসু পাঙথোক্লম্নবা হোৎনগদবনি।

মীয়াম্না খল্লকপা লুচিংবশিং অমসুং এডমিনিষ্ট্রেটরশিং মীচম মীয়ামগী ফিদমনিংঙাই ওইবগী দাইত্বসু লৌগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমসিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা ময়াই তাংবল লৌখি।

থৌরমসিদা শরুক য়ারখিবা গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর, এমএলএ অমসুং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা নেসনেল ইন্টিগ্রেশনগী ৱাশক লৌহনখি।

# এমএলএ য়ামথোং হাওকিপ বেল পীবিনবা হায়কোর্টতা আপীল..

হকচাংগী ফিভমশিং ফোংদোক্তুনা হায়জখিবা আপীলশিং অদু ক্রিমিনেল আপীল নম্বর ৮ ওফ ২০১৮ অমসুং মিসেলিনস (ক্রিমিনেল আপীল)নম্বর–৪ ওফ২০১৮নি।

ক্রিমিনেল আপীল কেস অনীমক্কী পিটিশ্নরনা এমএলএগী লোয়নবী শ্রীমতী সাপম চরুবালা এলাইজ চরুবালা হাওকিপনি। আপীল পিটিসন অনীমক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি ওইরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এমঐচএ)গী এনআইএ, গুৱাহাটিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

ক্রিমিনেল আপীল পিটিশন অনীমক ঙসি কোর্টসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অনীগী কোজ লিষ্টকী মোসনগী আইটেমদা লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইশু তৌখিবগা লোয়ননা এনআইএগী মায়কৈদা কেস অসিগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা রিপোর্ট থাসিগী ২১ ফাউবগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা থাসিগী ৯ অমসুং ১২দা হৌজিক জেনিমসকী স্পেসিয়েল / সেক্যুরিটি ৱার্ডতা লায়েংদুনা থম্লক্লিবা এমএলএ য়ামথোং হাওকিপকী মশাদা খঙহৌদনা হোংলকখিবা ফিভমশিংগী মতাংদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী এসপিগী মায়কৈদগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসিয়েল জজ (এনআইএ), মণিপুরদা তোঙান–তোঙানবা রিপোর্ট অনী পীখৎলকখ্রবনি।

রিপোর্ট অনীসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা কোর্টসিনা থাসিগী ১৩দা পীখিবা ওর্ডর অমদা মহাকপু ঙাক শেল্লিক্লিবা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগী মশীং হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা মহাকপু ওল ইন্দিয়া ইন্স–টিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী কার্দিও ঠোরাসিক সেন্টরদা লায়েংলুনবগী থবক য়াংশিন্নবা অকনবা পাউতাকসু জেলগী এসপি অমসুং এনআইএ, গুৱাহাটিদা পীখিবনি।

# এনঐচ–২ বন্দনা মীয়াম খম থেংনা...

বন্দ তৌবসিনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লগনি হায়বা খঙজে অদুবু নুমীত্তুনা লমশাং কেন্দ্রগী এমএলএনা চত্থখিবা থৌওং অদু য়াম্না লুজদবা অমদি ভিআইপি অমনা তৌরোইদবা থৌওংনি। সেকমাই খুঙ্গং অসিবু উশিত্তবগী থৌওংনি। মহাক্কী ইস্কোর্টনা সেকমাইগী মীওই অমা ফুরকপগা লোয়ননা থকসি–খাসি নাইদে হায়না মরালসু শিরকপসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

সেকমাই খুঞ্জাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওহ্ঙোরকদ্রা ঙাইদুনা লৈনখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা ওহ্ঙোরক্তবনিনা বন্দ অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়বগা লোয়ননা মতিক চাদ্রবা লমশাং কেন্দ্রগী এমএলএ অসি পারা তম্বীনবা হোৎনবদা মণিপুরগী মীয়াম্নসু মতেং পাঙবিয়ু হায়না ধনানা মখা তানা ফোংদোকখি।

# মণিপুরগী 'মহাত্মা গান্ধী–এ রেমিনিস'না বেষ্ট প্লে ফঙলক্লে

কম্পিটিশন অসিদা লৈবাকসিগী ষ্টেট ৯গী মহৈরোয়শিংগী স্কুলশিং য়াওনবগী ক্বালিফাই ওইখি। ষ্টেটশিং অদুদি ৱেষ্ট–বেঙ্গল, উরিষ্য, আসাম, বিহার, জরখন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অরূনাচল–প্রদেশ অমসুং মণিপুরনি। অদুবু অরূনাচল প্রদেশকী মহৈরোয়শিং লাকি–খদবদগী ষ্টেট ৮গী মহৈরোয়শিংগী টিম্না চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াখি হায়রি।

মহাক্কী স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা উৎখিবা প্লে অসি মহাক্না ইবনি অদুগা প্লে অসিগী অশাংবা (দ্যুরেসন)না মিনিট ২০নি হায়রি। প্লে অসিগী মহৈরোয় আর্টিষ্টশিংবু লমজিং–লমতাকপিখিবনা কংলৈ মাইম ঠিয়েটর রেপরটোরি (কেএমটিআর)গী সিনিয়র আর্টিষ্টটি রঘুমনিনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়বদা লৈবাকসিগী জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীজিনা 'ভাইওলেন্ট' হায়বসি মখল অমত্তদা অমসুং মওং অমত্তদা পাম্লমদনা মহাক্কী থবক–থৌরম পূম্নমক 'নন–ভাইওলেন্স'শিংগী পান্থৈশিংতনা মায়োক্নখিবশিংগী মরক্তগী অমখক্তং চিংখৎলগা মহাকপু নীংশিংবা অমসুং মীয়ামদা 'অহিংশা'গী পাউজেল পীবা অতেনবা প্লে অসিগী থীমনি হায়খি।

লোয়ননা তুংগী ঐখোয়গী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংবু লাইরিকখক্তগী নোলেজ পীবগী মথক্তা মখোয়–মখোয়দা লৈজবা টেলেন্টশিং অদুসু অচুম্বা অমসুং অফবা মায়কৈদা উৎথোকচনবগী তাঞ্জা অমসু পীবনি হায়খি।

মহৈরোয়শিংগী অতেনবা প্লেশিং চাংদম্নবগী উৎপখক নত্তনা মহৈরোয় মশা–মশাগী হৈ–শিংবা উৎথোক্নখিবদা স্কুলসিগী মহৈরোয় শিতলজিৎনা খোংখিবা পেনা অমসুং য়ুম্নাম জিটেশ্বরিগী 'মণিপুর মণিপুর...' হায়না শকখিবা ঈশৈনা ঈজেদসিসিগী হোল অদুবু নীকহনখিসু হায়রি। ম্যুজিক দিরেক্সননা য়ুম্নাম পোইরৈতোননি।

মহাক্না লুচিংদুনা শরুক য়ারুরিবা নেসনেল লেবেলগী সোর্ট–প্লে কম্পিটিশন অসিগী ওভর ওল সুপরভিজননা এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুলসিগী প্রিন্সিপাল ঐচ কুঞ্জবিহারিনি। প্লে অসিদা নুপামচা অমসুং নুপীমচা মহৈরোই ১২না শরুক য়াখি হায়রি।

শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা মহাত্মা গান্ধীগী শক্তমদা কৈশাম সোমোকান্তা অমসুং অবোককি শক্তমদা য়ুম্নাম জিতেশ্বরিনি। অদুগা কোরসতনা তোংৱম পিটি, মালেমঙানবী চনু হৈস্নাম, নিংথৌজম বিনিতা, মাইবম প্রিয়োবর্ত, অঞ্জলিকা লাইশ্রম, অরিবম বোরিশ শর্ম্মা, খুয়েহ্নেম শিতলজিৎ, সর্জুবালা য়ুমখাইবম অমসুং এলাংবম তম্বিনানি।

# থাঙ্গাল বাজার বিউটিফিকেসন প্রোজেক্ট ফেল...

(দিটিও–ইম্ফাল ৱেষ্ট) অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার–ইন–চার্জগা তান্নদুনা পার্কিং জোন অহুমবু নীংথিজনা মথৌ তৌহনবা,ইফেক্টিভ ওইবা রিগ্যুলেসন শেম্বা অমসুং মেন্টিনেন্স তৌবগী ৱাফম য়াওই।

আইএমসিনা থাঙ্গাল বাজারগী দুকান্দারশিং অমসুং মসিদা য়ুম ওইনা লৈরিবশিংগী সিজন পার্কিং টিকেৎশিং ইশু তৌবগা লোয়ননা তুং–কোইনা চৎনগদবা মেকানিজম নৎত্রগা গ্রাউন্দ লোজিষ্টিক অমা পুথোক্নবগী ৱাফমসু য়াওরি। থবকসি পার্কিং জোন অহুমসিদা নুমিৎ চুপ্পা অমা গারী পার্ক তৌশিনহনবগী মহুত্তা পুংশিংদা গারীশিংবু পার্কিং ফি লৌদুনা খামহন্নবগী মীৎয়েং মখাদনি।

থবকশিং অসিগী মথক্তা মাহুড নৎত্রগা আইএমসিনা পব্লিক পার্কিংশিং অসি লূনা–নান্না থম্নবা অকন্নবা মোডেলিটিশিং পুথোকপগা লোয়ননা খুদোংচবেশিং অসি ফঙলিবা মীয়াম, মসিবু ফঙহল্লিবশিংগী মায়কৈদগী 'তৌগদবা' অমদি 'তৌরোইদবা'শিংসু য়াৎথোক্কদবনি হায়খি।

থাঙ্গাল বাজারগী চৎন–কাংলোন ময়ামসি জুলাই ৬,২০১৮দা থোকখিবা সেক্রেটরীয়েট ট্রান্স–পোর্ট দিপার্টমেন্টকী ওর্ডর নম্বর–১৫।৫।২০১০–টি(এমভি) টিপিগী মতুং–ইন্না লিংখৎখিবা 'কম্মিটি ওন বিউটিফিকেসন ওফ থাঙ্গাল বাজার ষ্ট্রেচকী রিকম্মেনদসন মতুং–ইন্ননি হায়বা ৱাফমসু দাইরেক্টর (ট্রান্সপোর্ট) সি অঠৈর ৱোরচুইয়োগী ওক্টোবর ২৯, ২০১৮গী চেরোল অসিদা পল্লি। অদুবু আইএমসি, এসপি / ট্রেফিক কন্ট্রোল ৱিং অমদি ওসি /সিটি পুলিস ষ্টেসনশিং অমগা–অমগা তাথোক–তাশিন তৌনরগা প্রোজেক্টসি মায় কাপহন্নবগীদমক পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা ট্রফিককী বেরিকেন্দ অমসুং উ–ৱা ফৈজিন্দুনা লম্বী থীংবা নত্তনা অতৈ থবকশিংগীদি শুপ্নতগী মচেৎ অমা ফাউবা উবা ফঙদ্রি।

মসিগী মথক্তা মাহুড অমসুং আইএমসিনা খূৎশম্মনা পায়–খৎমিন্নগদবা পার্কিং জোনশিং তরু–তান্না থম্বা অমদি তৌগদবা–তৌরোইদবশিং য়াৎথোক্তুনা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবগী থবক্ল কন্দাইৱাইদা তৌরিবগে উবা ফঙদ্রে। ৱাশাং ফৈজিন্দুনা গারী চঙবা থীংবগী ৱাহম্বোক লৈত্রে। শক–মায় য়েংনরগা নৎত্রগা অতোপ্পা পান্থৈশিং পুথোক্লরগা চঙনা–থোক্লা তৌবা য়াওরে।

# নোংমৈ কাপ্নফমদা পোকখায়দ্রিবা লেঠোদ সেল...

নোংমৈশিংগী এম্পটি কেসশিং তারম্বা থেংনখ্রে।

থৌদোক থোকফমদা ঙসি অয়ুক খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন–চার্জ সব–ইন্সপেক্টর অব্দুল রহমননা লুচিংবা পুলিস টিম অমা চঙশিন্দুনা য়েংশিল্লুরে হায়রি।

পোকখায়দ্রিবা লেঠোদ সেল অদু ইম্ফালদগী বোম এক্সপার্ট লাক্লগা পোকখায়হন্ননবা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্লে হায়রি।

লোয়ননা থৌদোকসিগী মতাংদা আইপিসিগী সেক্সন–৪০০ /৩৪, আর্মর্স এক্টকী সেক্সন ২৫(১–সি) অমসুং এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন–৪গী মখাদা কেস এফআইআর নম্বর–৯(১১) ২০১৮রেজিষ্টর তৌদুনা লৌ–খৎলে হায়রি।

# উরিপোক লম্বী মতম কক্তনা...

ফোংদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, প্রভিস চনম লৈখিদবা অসিগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা সিবিআইদা মীশি অসিগী মতাংদা থীগৎহনগনি হায়দুনা থাজবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে অদুবু লাইবক থীবদি মীশি অসি সিবিআইদা শীন্নরমদবতা নত্তনা কেবিনেটে মীফম ফম্লগা মীশি অসিগী মতাংদা ৱা খন্নগনি হায়না ফোংদোরকখিবা অসি মীয়ামদা চাওনা মীনম্বনি । বন্দ ব্লোকেদ তৌদ্রবদি মীয়ামগী খোল্লাউ অসি তবীদবা মরম্না তঙাই ফন্দবগী বন্দগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না ফোংদোকখি।